# ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা টামিল নাদুগী চীফ সেক্রেটরিগী ময়ুমদা থি-হুন্বা চথখ্রে



ন্যু দিল্লি/চেন্নাই, দিসেম্বর ২১:
ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা ঙসি টামিল নাদুগী চীফ সেক্রেটরি রামা মোহননা রাওগী ময়ুমদা থিবা-হুন্বগী থবক চথখ্রে। অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং চেন্নাইগী অনানগরদা লৈবা রামা মোহননা রাওগী ময়ুমদা থুংলখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন চথখিবনি।

মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না চেন্নাই, বেঙ্গলোর অমদি চিতুরদা লৈবা মোহননা রাওগী মরী-মতাশিংগী ময়ুম ১২ দসু ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা থিবা-হুন্বগী থবক চথখি হায়রি।

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা হন্দক্তা বিজিনেস মেন অহুম- জে সেখর রেদ্দি, শ্রীনিভাসালু অমদি প্রেমদগী সনা কিলোগ্রাম ১৭৭ অমসুং অরিবা শেনয়েক্তা লুপা ক্রোর ৯৬ ফাগৎপা লৈখ্রবনি। টামিল নাদু গভর্ণমেন্টকী কন্ট্রেক্টর ওইনা থবক তৌবা রেদ্দিনা তিরুপটি টেম্পলগী বোর্দ ওফ ট্রষ্টিসকী মেম্বরসু ওইবগা লোয়ননা গভর্ণ-মেন্টকা মরী লৈনবা অতোপ্পা থবক থৌরম কয়াদসু মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। মীওই অসি চীফ সেক্রেটরি রামা মোহননা রাওগা য়াম্না নক্নবা মীশকনি হায়না লৌনরি।

হৌখিবা জুন থাদা চীফ সেক্রেটরি ওইনা খনখিবা রামা মোহননা রাওনা অহেনবা চার্জ ওইনা ভিজিলেন্স কম্মিস্নার অমদি কম্মিস্নার ওফ এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোর্মসকী থৌসু পুরি। মমাঙদা মহাক্না লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর জে জয়াললিতাগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিসু ওইরম্মী। লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাদা মহাক মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোত্থারগনি।

অমরোমদা, টামিল নাদুগী চীফ সেক্রেটরি রামা মোহননা রাওগী ময়ুমদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা থিবা-হুন্বগী থবক চথখিবগী থৌওং অদুবু দ্রাবিদা মুনেট্রা কঝাগম (দি এম কে)গী ট্রেজরর এম কে ষ্টেলিননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, ইনকম টেক্স দিপার্ট-মেন্টনা চীফ সেক্রেটরিগী ময়ুমদা থিবা-হুন্বগী থবক চথখিবা থৌওং অদু ষ্টেট অসিবু ইকায়বা পীবগী মওংনি। পুৱারীদা অহানবা ওইনা টামিল নাদুগী চীফ সেক্রেটরি অমগী ময়ুমদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা রেইদ চথখিবনি।

নবেম্বর ৮দা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা শেনয়েক অনী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা ব্লেক মনি অমসুং জালি নোটকী খোঙ্গুল লীরদুনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা থি-হুন্বগী থবক চথবা লৈখ্রবনি।

মরকসিদা, টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ও পনির সেলবমনা হায়খ্রে মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শ্রী লঙ্কাদা অকনবা ৱারোল য়াওবা পাউজেল অমা পীদুনা ঙামীশিং ঙাইহাক লৈতনা ফাবগী থৌওং লেপহন্নবা হোৎনগদবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরদা থাবা চেরোল অমদা পনির সেলবমনা হায়খি, শ্রী লঙ্কন নেভিনা হন্দক্তা টামিল নাদুগী ঙামী খরা ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হিগা কোন্ননা ফাজিনখি। মমাঙদসু অসিগুম্বা থৌদোক কয়ারক হন্না থোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা মতম চুপ্পগী ওইনা য়ানগদবা মওংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা প্রাইম মিনিষ্টরনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

শ্রী লঙ্কন নেভিনা ইতৎ তৎতনা মীফা-মীপুনগী থৌওং চথরকপনা টামিল নাদুগী ঙামীশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে হায়না পল্লদুনা পনির সেলবমনা হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা শ্রী লঙ্কাদা অকনবা ৱারোল য়াওবা পাউজেল অমা পীফম থোকই।

শ্রী লঙ্কানা ঙসি ফাজিনখিবা হি অনী থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না হি ১০৯ ফাজিনবা লৈখ্রে। অথুবা মতমদা ঙামী অমদি হিশিং থাদোকহন্দুনা ঙামীশিংবু অথিংবা য়াওদনা ঙা ফাবা য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই হায়না পনির সেলবমনা তকশিনখি।

শ্রী লঙ্কানা ফাজিনখিবা হি অমত্তা থাদোরক্তবা মরম্না ঙামীশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ঙা ফাবনা হিংনবগী পূন্সি লন্বী ওইরিবা ঙামীশিংনা মায়োক্নরিবা অৱাবা পুন্নমক কোকহন্নবগীদমক অথুবা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিদা পাউতাক পীদুনা শ্রী লঙ্কন ওঠোরিটিগী মথক্তা অকনবা ৱাফম থমগদবনি। লোয়ননা ফাজিনখ্রবা ঙামী ২২ অমসুং হি ১০৯ খুদক্তা থাদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

# ইলেক্সন কম্মিসনননা পোলিটিকেল পার্টি ২০০গী শেল-থুম ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টতা য়েংশিনহনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২১(এজেন্সী):
মীখলদা মীরেপ অমত্তা থাদোকখিদবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসনননা লিষ্টতগী ককখ্রবা পোলিটিকেল পার্টি ২০০ রোমগী শেল-থুমগী ফীভম ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টতা য়েংশিনহনগদৌরি।

কুমজা ২০০৫ দগী হৌজিক ফাওবদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংদা মীরেপ অমত্তা থাদোকখিদবা পোলিটিকেল পার্টি ২০০ হেন্না ইলেক্সন কম্মিসনননা লিষ্টতগী ককথৎপা লৈখ্রবনি। হায়রিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অদুনা শেঙ্গাও পায়বা মীওই খরদগী দোনেসন লৌরগা ব্লেক মনিবু হ্বাইট মনিদা ওন্থোকপদা মরুওইবা থৌদাং লৌই হায়না ইলেক্সন কম্মিসনননা চিংনবা পোক্লি। অথুবা মতমদা কম্মিসনননা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লিষ্ট অমা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টতা পীখৎপগা লোয়ননা হায়রিবা পার্টিশিং অদুগী হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা শেল-থুমগী ফীভম য়েংশিনহন্নবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ইলেক্সন কম্মিসনননা পোলিটিকেল পার্টি অমবু রেজিষ্টর তৌবা ঙল্লবসু রেজিষ্ট্রেসন কক্নবগী মতাংদদি মতিক চাবা লো লৈতবা মরম্না পোলিটিকেল পার্টি অমবু হেক্তা রেজিষ্ট্রেসন ককপা ঙমদে।

কম্মিসনদা পোলিটিকেল পার্টি অমগী রেজিষ্ট্রেসন কক্নবগী মতিক-ময়াই পীবীয়ু হায়না পীখৎখিবা ৱাফম অমা লো মিনিষ্ট্রিদা পন্দুনা লৈরি। অদুম ওইনমক কম্মিসনননা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩২৪ শীজিন্নদুনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্ত্রবা পোলিটিকেল পার্টি অমবু লিষ্টতগী ককপা ঙম্মী। হৌজিক-হৌজিক লৈবাক অসিদা রেজিষ্টর তৌরবা অদুবু রেকগ্নাইজদি তৌদ্রবা পোলিটিকেল পার্টি ১,৭৮০ লৈরি। মসিগী মথক্তা নেসনল পার্টি ৭- বি জে পি, কোংগ্রেস, বি এস পি, টি এম সী, সী পি আই, সী পি আই -এম অমসুং এন সী পি লোয়ননা ষ্টেট পার্টি ৫৮ লৈরি।

মীখলদা ব্লেক মনি শীজিন্নবা থিংনবগী মতাংদা কম্মিসনননা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনরবসু গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা পন্দুনা লৈরিবা মরম্না থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রি।

অমরোমদা, বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা হায়খ্রে মদুদি, পোলিটিকেল পার্টিশিংদা লুপা অমত্তং ওইরবসু দোনেসন তৌরকপা মতমদা মীয়াম খঙনা লাউথোকহনগবনি।

লুপা ২০০০ দগী হেন্না দোনেসন তৌরকপদা মদুগী ছোর্স লাউথোকহন্নবা ইলেক্সন কম্মিসনননা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অমগী মতাংদা নিটিশ কুমারনা হায়খি, অথুবা মতমদা মরী লৈনবা লো শেমদোক্লুনা পোলিটিকেল পার্টিদা লুপা অমত্তং ওইরবসু দোনেসন তৌরকপদা মীয়াম খঙনা লাউথোকহনগদবনি।

# প্লেনদগী অমাংবা হৈথরকপদা লুপা ৫০,০০০ ফাইন থীহনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২১: তোঙান-তোঙানবা এয়রলাইন্সশিংনা নোংথক্তগী অমাংবা হৈথরকপদা য়ুম্লক্তা তারকপগী মতাংদা ৱাথোক ওইনখ্রবা মতুংদা নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না হায়খ্রে মদুদি, করিগুম্বা য়ুম্লক্তা এরোপ্লেনদগী অমাংবা হৈথরকপা তারবদি লুপা ৫০,০০০গী ফাইন লৌরগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা এয়রলাইন্স খুদিংমক্তা সর্ক্যুলর অমা থোক্নবা এন জি টিনা দিরেক্টর জেনরেল সিভিল এভিএসনদা খঙহনখ্রে। ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট মনাক্তা এরোপ্লেনদগী য়ুম্লক্তা অমাংবা হৈথরকপগী মতাংদা থবক্তগী পোত্থারবা আর্মি ওফিসর অমনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমগী মতাংদা এন জি টিগী চেয়রপার্সন স্বতন্তর কুমারনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, করিগুম্বা এয়রক্রাফট অমনা য়ুম্লক্তা অমাংবা হৈথরকপা তারবদি হায়রিবা এয়রক্রাফট অদুদগী লুপা ৫০,০০০ ফাইন ওইনা লৌরগনি।

অয়াম্বা মতমদা এরোপ্লেন মনুংগী অমাংবা পুন্নমক এরোপ্লেন খাম্লবা মতুংদা গ্রাউন্দ ষ্টাফকী মীওইশিংনা শেংদোকপগী থৌওং চথৈ। অদুবু করিগুম্বা মতমদা লিক ওইবদগী এরোপ্লেন পাইরিঙৈদা মীওইবগী অমাং-অশোই খরা য়ুম্লক্তা তারকপগী থৌদোক হেক-হেক থোকই।

এন জি টিগী বেঞ্চনা হায়খি, মাঙজৌননা লাউথোকপা তৌদনা এরোপ্লেন অমা হেক খাম্বগা সর্প্রাইজ ইন্সপেক্সন চথদুনা অমাং-অশোই হাপ্পা টেঙ্ক অদু হাঙব্রা হায়না য়েংশিনবগী থৌওং চথরগনি। করিগুম্বা টেঙ্ক অদু হাঙলম্বা থোক্লবদি ইনভাইরোনমেন্টতা অমাঙ-অতা থোকহনবগী কম্পেন্সেসন ওইনা এরোপ্লেন অদুদগী লুপা ৫০,০০০ লৌরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা দিরেক্টর জেনরেল সিভিল এভিএসনননা মরী লৈনবা এয়রলাইন খুদিংমক্তা মাঙজৌননা পাউ পীখিগদবনি। থবক্তগী পোত্থারবা লেফটনেন্ট জেনরেল সতৱন্ট সিংহ দাহিয়ানা থাঙ্গৎলকখিবা পি আই এল অমগী পাউখুমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।


Millennium School
Sagolband Salam Leikai, Imphal-01
[A Unique Co-Educational Lower Primary School of Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi, Imphal]
ADMISSION GOING ON FOR 2017 SESSION
PRE-NURSERY TO STD III
Admission Form & Prospectus available from the School office between 9:00 am to 3:00 pm
NEW SESSION WILL START FROM 19th JANUARY 2017
COME & EXPERIENCE THE WORLD OF MILLENNIUM SCHOOL
"A Paradise for Children"
# For further details, please contact Millennium School office.
Phone 0385-2445298.
HL-P/0005/21-27 Dec.

SCM
S.CHAOBA MEMORIAL BOARDING SCHOOL
SINGJAMEI KONGBA ROAD IMPHAL EAST (NEAR SINGJAMEI BRIDGE)
NO DEPOSIT SYSTEM
NO LOADGING CHARGES
ADMISSION OPEN
VAN SERVICE WANTED






Founder Principal
MA Gold Medalist & BT
Retired Lecture, Ram Lal Paul Hr. Sec. School

Fee Structure for Boarders to be paid at the time of Admission for boarders

| Annual Fee Structure | | | | | Monthly |
|---|---|---|---|---|---|
| Class | Admission | School Fee | Caution Money | Total(1 year) | Mess Fee |
| Nursery - Class II | 1600(admission+games+exam) | 400x12=4800 | 500 | 6900 | 2700 |
| Class III - Class V | 3000(admission+computer+games+exam) | 500x12=6000 | 500 | 9500 | 2900 |
| Class VI - Class VIII | 3000(admission+computer+games+exam) | 500x12=6000 | 500 | 9500 | 3000 |
| Class IX & X | 3200(admission+games+exam) | 600x12=7200 | 500 | 10900 | 3100 |

Fee Structure for Day-scholars

| Dayschool students | Annual Fee Structure | | Monthly |
|---|---|---|---|
| Class | Admission | Other Expenses | Total |
| Pre-Nursery | FREE | 500(games+exam) | 400 |
| Nursery - Class II | 1600(admission+games+exam) | NA | 400 |
| Class III - Class VIII | 3000(admission+computer+games+exam) | NA | 500 |
| Class IX & X | 3200(admission+games+exam) | NA | 600 |

Facilities :
1. Free washing clothes for all classes
2. Medical care for all students by two specialist doctors from founder's family 24X7
3. Free monthly school tuition fee for one out of three students of same parents.
4. Half school tuition fee for one out of two students of the same parents.
5. Facility for YOGA,Thang-ta classes at the school campus.
6. Free tution fee of class IX & X talented students scoring 80% marks.
7. Scholarship for first position holders of every classes.
8. One boarding master for every 25(Twenty five) students with strict discipline.
9. Founder and Boarders take meal on the same dinning table and available aqua fresh water.
HL-B/3548/21/12-20/01


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## REVENUE DEPARTMENT
-----
## NOTIFICATION

Imphal, the 20th December, 2016

**No.3/5/2016-R:** In view of opening of 7 (seven) new districts and 2 (two) new ADCs and subsequent creation of different categories of class-III & IV posts in Revenue Department, Government of Manipur by the State Cabinet vide orders No.16/20/2016-R(Pt) dated 20-12-2016, applications are invited from eligible candidates through sponsorship by their respective Employment Exchanges in the State for direct recruitment to the following categories of posts in Revenue Department, Government of Manipur on regular basis.

**2. Name of posts and number of vacancies:**

| Sl. No. | Name of post | Pay scale | No. of post | UR | ST | SC | OBC | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | Meetei/ Meitei | Meitei Pangal |
| 1. | Lower Division Clerk | Rs.5200-20200/- + Rs.1900/- (GP) | 80 | 41 | 25 | 01 | 10 | 03 |
| 2. | Revenue Inspector | Rs.5200-20200/- + Rs.2400/- (GP) | 09 | 04 | 03 | - | 01 | 01 |
| 3. | Zilladar | Rs.5200-20200/- + Rs.1900/- (GP) | 15 | 07 | 05 | 01 | 01 | 01 |
| 4. | Stenographer | Rs.5200-20200/- + Rs.2000/- (GP) | 09 | 06 | 02 | - | 01 | - |
| 5. | Driver | Rs.5200-20200/- + Rs.1900/- (GP) | 09 | 05 | 03 | - | 01 | - |
| 6. | Lambu | Rs.4440-7440/- + Rs.1400/- (GP) | 50 | 24 | 16 | 01 | 07 | 02 |
| 7. | Peon | Rs.4440-7440/- + Rs.1300/- (GP) | 40 | 20 | 12 | 01 | 05 | 02 |
| 8. | Process Server | Rs.4440-7440/- + Rs.1400/- (GP) | 07 | 04 | 02 | - | 01 | - |
| 9. | Chowkidar | Rs.4440-7440/- + Rs.1300/- (GP) | 09 | 06 | 02 | - | 01 | - |
| | | **Total:** | **228** | | | | | |

**3. Post reserved for Differently Abled Persons (DAP):**

| Sl. No. | Name of Post | Category (s) for which identified | *Functional Classification | *Physical requirement | No. of reserved vacancy |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | LDC | Locomotor disability | BA, OL, BH, MW | S, ST, W, SE, H, RWT | 01 |
| | | Visual impairment | LV | F, PP, L, KC, B, S, ST, W | - |
| | | Hearing impairment | HH | H, RWT | 01 |
| 2. | Lambu | Locomotor disability | OL, OAL, BL | S, W, SE, RW, C | - |
| | | Visual impairment | LV | - | 01 |
| | | Hearing impairment | HH | - | 01 |
| 3. | Peon | Locomotor disability | BA, OL, BH, MW | S, ST, W, SE, H, RWT | 01 |
| | | Visual impairment | LV | F, PP, L, KC, B, S, ST, W | 01 |
| | | Hearing impairment | HH | H, RWT | - |

***Note:***
*(a) Persons suffering from not less than 40% of the relevant disability shall alone be eligible for the benefit of reservation.*
*(b) The candidate should be in possession of disability certificate in the prescribed form issued by the competent authority in this regard.*

4. **Eligibility conditions :** The eligibility conditions for the above posts as per existing Recruitment Rules are given below:

| | | |
|---|---|---|
| Lower Division Clerk (LDC) : | (a) | Qualification: Matriculate / HSLC or its equivalent qualification of a recognized University/Board. |
| | (b) | Nature of Examination : Written, typing test and interview as per provisions of R/R for the post of LDC. |
| Revenue Inspector : | (a) | Qualification: Graduate of a recognized University/Board. |
| | (b) | Nature of Examination : Written test and interview as per provisions of R/R for the post of Revenue Inspector. |
| Zilladar : | (a) | Qualification: Higher Secondary / PUC of a recognized University/Board. |
| | (b) | Nature of Examination : Written test and interview as per provisions of R/R for the post of Zilladar. |
| Stenographer : | (a) | Qualification: Matriculate / HSLC or its equivalent qualification of a recognized University/Board with speed not below 80 words per minute in shorthand (English) and speed not less than 30 words per minute in typing English relaxable for SC/ST candidates upto 60 words per minute in shorthand and 25 words per minute in typing. |
| | (b) | Nature of Examination : Written test, speed tests and interview as per provisions of R/R for the post of Stenographer. |
| Driver : | (a) | Qualification: Matriculation from a recognized Board/University with driving experience of not less than 3 years. |
| | (b) | Nature of Examination : Interview followed by Driving Test as per provisions of R/R for the post of Driver. |
| Lambu : | (a) | Qualification: Matriculation from a recognized Board/University. |
| | (b) | Nature of Examination : Interview / Personality test as per provisions of R/R for the post of Lambu. |
| Peon : | (a) | Qualification: Matriculation from a recognized Board/University. |
| | (b) | Nature of Examination : Interview / Personality test as per provisions of R/R for the post of Peon. |
| Process Server: | (a) | Qualification: Matriculation from a recognized Board/University. |
| | (b) | Nature of Examination : Interview / Personality test as per provisions of R/R for the post of Process Server. |
| Chowkidar: | (a) | Qualification: Qualification: Matriculation from a recognized Board/University. |
| | (b) | Nature of Examination : Interview / Personality test as per provisions of R/R for the post of Chowkidar. |

5. **Age Limit:** A candidate shall not be less than 18 years and more than 38 years on 1st December, 2016 (Upper age limit is relaxable for Government servants appointed under the Government of Manipur to the extent of period of continuous service put in the post/service and by 5 years for SC/ST and by 3 years for OBC candidates and 10 (ten) years for PWD.

6. Number of vacancies for various category of posts to be filled up as indicated above may increase or decrease as decided by the Government from time to time.

7. **Documents to be submitted:** All the candidates should submit the following self attested Photostat documents at the time of submission of application forms:
(i) Relevant educational certificates with mark sheets, (ii) certificate showing date of birth, (iii) certificate (s) indicating category (OBC/ST/SC), (iv) Employment Exchange Card, (v) certificate of computer knowledge (for the post of LDC only), (vi) valid driving licence (for the post of Driver only) and (vii) Disability Certificate in respect of DAP.

8. The examination will be held at Imphal. The date and time of written test and viva-voce / Personality Test, etc. will be notified soon.

9. Candidates applying for more than one post should obtain application forms separately for each post on payment of prescribed fees.

10. The prescribed fee for application form is Rs.500/- for General and OBC candidates and Rs.300/- for SC/ST candidates in respect of Grade-III posts and Rs.400/- for General and OBC candidates and Rs.200/- for SC/ST candidates in respect of Grade-IV posts respectively.

11. **Date and time of sponsorship of candidates through respective Employment Exchanges, issuing and submission of application forms and issuing of Admit Cards to candidates:**

| Sl. No. | Particulars | Timeline | Venue |
|---|---|---|---|
| 1. | Sponsorship of candidates through respective Employment Exchanges | **22-12-2016 to 26-12-2016** (during office hours) | All Employment Exchanges |
| 2. | Issuing and submission of application forms and issuing of Admit Cards to candidates | **28-12-2016 to 31-12-2016** (during office hours) | Office complex of Deputy Commissioner, Imphal West at Lamphelpat, Imphal. |

Sd/- H. Balkrisna Singh
Deputy Secretary (Revenue)
Government of Manipur

HL-B/3559/21 & 22